# সনালৈবাক স্পোর্টস





ইন্দিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোই অমা ওইরম্বদগী হৌজিক্কা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগতা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা মমাঙ চহীগী মার্চতা শান্নখিবা দোমেষ্টিক টুর্নামেন্টতা থিংখ্রবা দ্রগ শিজিন্নরম্বগী মরালদা সস্পেন্দ তৌখ্রবা য়ুসুফ পথান



স্পেনগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব রিয়েল মাদ্রিদকী কোচ ওইনা থৌ পুরিবা মমাঙদা ফ্রান্স ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইবগী থৌসু পুরম্বা ২০১৭ গী ফ্রান্সকী খ্বাইদগী ফবা কোচকী মনা ফংখ্রবা জিদেনাইন জিদেন

## পি ভি সিন্ধুগী চেন্নাই স্মাসর্সনা বেঙ্গালুরু ব্লাষ্টর্সপু পোইন্ট ৩–২ দা থোইখ্রে, সেমি ফাইনেল চঙবগী আশা লোইখ্রে

*চেন্নাই, জনুৱারী ০৯ঃ*

প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮ কী অহুমশুবা লেগকী ওইনা চেন্নাইদা লৈবা নেহরু ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা টাই অমদা নুপীগী সিঙ্গলসকী ৱার্ল্ড নম্বর থ্রি ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা লীগ অসিগী মমাঙ চহীগী টাইটল লৌবা ঙল্লিবা চেন্নাই স্মাসর্সকী মায়কৈদগী শান্নরকপদা বেঙ্গালুরু ব্লাষ্টর্সপু পোইন্ট ৩–২ দা থোইবা ঙমখ্রবসু টিম অসিগী ওইনা পাঙথোক্লিবা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ অসিদা সেমি ফাইনেল য়ৌবা য়াবগী খুদোং চাবা লোইশিনখ্রে।

পি ভি সিন্ধুনা চেন্নাই স্মাসর্সকী মায়কৈদগী নুপীগী সিঙ্গলস মেটচ অমদা বেঙ্গালুরু ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোই স্কোটলেন্দ মচা কর্ষ্টি গিলমোরবু চেন্নাইগী ত্রম্প মেটচ অমদা ১৫–৯, ১৫–১৪ দা মায় পাকপা ঙমখি।

টাই অদুগী অহানবা মেটচ অদু মিক্স দবলসকী হান্না শান্নখি। মদুদা বেঙ্গালুরু ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদগী ত্রম্প মেটচ ওইনা এম বোয়ে অমসুং কে এস রাংবু চেন্নাই স্মাসর্সকী মায়কৈদগী ৱাই লি অমসুং বি এস রেদ্দিনা ৮–১৫, ১৫–১৪, ১৫–১৩ দা থোইখিবা অদুনা মরম ওইরগা বেঙ্গালুরু পোইন্ট মাইনস ৱানদা লৈখিবনি। অদুবু সিন্ধুগী ত্রম্প মেটচ অদু থারগা চেন্নাই স্মাসর্সনা বেঙ্গালুরু ব্লাষ্টর্সপু পোইন্ট ৩–(–১) দা লৈখি।

টাই অদুগী অহুমশুবা মেটচ অদুগী নুপাগী সিঙ্গলসকী মেটচ ওইখি। মদুদা চেন্নাই স্মাসর্সকী মায়কৈদগী থাইলেন্দ মচা টানোনসাক সেঙ্গোম্লুস্লুক অমসুং বেঙ্গালুরু ব্লাষ্টর্সকী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোই দেনমার্ক মচা ভিক্তর এজেলসেনগা লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী অহানবা গেম ১৫–১১ দা থোইখি। অদুবু চেন্নাই সেঙ্গোম্লুস্লুকনা অনীশুবা গেম অদু ১৫–৬ তা থোইদুনা গেম অমমম মান্নরকখি।

দিসাইদিং গেম অদুদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোই এজেলসেননা বেঙ্গালুরু ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মওংদা চেন্নাই স্মাসর্সকী টানোনসাক সেঙ্গোম্লুস্লুকপু ১৫–৯ দা থোইদুনা বেঙ্গালুরুগী মাইনস চল্লুরবা পোইন্ট অদু ফুক্কৎলগা টাই অদুদা চেন্নাই স্মাসর্সনা মেটচ ৩ লোয়খিবদা পোইন্ট ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

টাই অদুগী মরিশুবা মেটচ অদু নুপাগী সিঙ্গলসকী মেটচ ওইখি। ত্রম্প মেটচ অনী শান্নবা লোয়খ্রবা মতুং বেঙ্গালুরু ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদগী সুভাঙ্কর দেনা চেন্নাই স্মাসর্সকী ব্রাইস লেভরদেজবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ইৱা ৱাদনা ১৫–১২, ১৫–১২ দা থোইদুনা পোইন্ট অদু চেন্নাইগী ৩ অমসুং বেঙ্গালুরুগী ১ লৈখি।

টাই অদুগী অরোইবা মেটচ অদু মিক্স দবলসকী লম্বাদা পি ভি সিন্ধু অমসুং খুস এদকোকনা বেঙ্গালুরুগী এন সিক্কি রেদ্দি অমসুং কে এস রাংগা শান্নবদা ১৪–১৫, ১১–১৫ দা মায়থিদুনা বেঙ্গালুরু ব্লাষ্টর্সকী পোইন্ট অমগা হাপচিল্লগা টাই অদু চেন্নাই স্মাসর্সনা ৩–২ দা থোইরগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা চেন্নাই মখোয়গী লীগ মেটচ ৫ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ১২ ফংলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈখিবদগী সেমি ফাইনেল য়ৌবগী খুদোংচাবা অদু মাঙখিবনি।

ঙসি অথেংবদা অহুমশুবদা লৈরিবা অহমেদবাদ স্মাসস মাষ্টর অমসুং মমৈদা লৈরিবা মুম্বাই রোকেটস লম্বা তৌনগনি।



চেন্নাই স্মাসর্সকী নুপীগী সিঙ্গলসকী মেটচ মায় পাকখিবা সিন্ধু

## সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইগদৌরিবা ২০১৮ ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমসকীদমক নোর্থ কোরিয়াগী দেলিগেসন থাগদৌরি

*পানমুনজোম, জনুৱারী ০৯ঃ*

চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদগী সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বুওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি পিয়োংচাংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস অদুগী মাঙওইননা ঙসি নোর্থ কোরিয়াগী ওফিসিয়েলশিংগা মীফম অমা পাঙথোকখ্রবা মতুং গেমস অদুদা শরুক য়ারোই হায়না মমাঙদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু হোংদোক্লগা নোর্থ কোরিয়ানা গেমস অসিগীদমক দেলিগেসন থারগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি নোর্থ কোরিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়ানা ঙসি ৱারী শান্নখিবা অদু কুমজা ২০১৫ গী দিসেম্বর থাদা শান্নখিবা ৱারী অদুগী মতুংদা অহানবা ওইরিবনি।

ঙসিগী ৱারী শান্নবা অদুদা সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদগী নোর্থ কোরিয়া অনীগী মরক্তা লৈরিবা উংখৎনবা অদু হস্থহন্নবা ইন্টর–কোরিয়ান মিলিটরি ওইবা ৱারী শান্নবা অদু অপাম্বা ফোঙদোকখি। মদুদা নত্তনা ফেব্রুৱারী থাদা লুনর ন্যু ইয়র হোলিদেগী মতমদা নোর্থ অমসুং সাউথ অসিগী লৈবাক্তা লৈরিবা ইমুংশিংগী মরক্তা পুন্না উন্ননবগী তাঞ্জা অদুসু থম্নবা ফোঙদোকখি হায়না সাউথ কোরিয়াগী ভাইস য়ুনিফিকেসন মিনিষ্টর চুন হে সুংনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই নোর্থ কোরিয়ানা সাউথ কোরিয়াগা মিলিটরিগী হোট লাইন অমা থম্নবা টেক্নিকেলগী ওইবা থবক লোইশিল্লে হায়রি। লোয়নন্না য়ুমশাকৈশ নুমিৎতগী হৌরগা মমাঙদা লৈরম্বা কম্যুনিকেসনগী থবক অদুসু পায়খৎলগনি হায়রি।

কুমজা ২০১৬ কী ফেব্রুৱারী থাদা সাউথ কোরিয়াগা পাউফাওদোক–ফাওজিন তৌবগী থবক অদু লৌথোকখিবনি।

চাইনানা কুমজা ২০০৭ দা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা এসিয়ান ৱিন্টর গেমসকী মমাঙদা লৈবাক অনীগী শান্নরোইশিং পুন্না ইন্টরনেসনেল গেমস খুদিংগী হৌদোকপা অমসুং লোইশিনবগী থৌরমদা তুং–মাঙ চৎমিন্নখিবনি। চহী অদুগী মতুংদগীদি লৈবাক অনীনা গেমস অমত্তা শরুক য়ামিন্নদ্রি।

সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস অসিদা নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদগী শরুক য়াবগী অয়াবা ফোঙদোরকপা অদু য়ুএসএগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা অফবা খোঙথাং অমদি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়নন্না ওলিম্পিক্স অদুগী মতুংদা ৱারী শান্নবগী অফবা মায়কৈদা মখা তাবা লম্বেল কয়া লাকপদা শরুক য়াগনি হায়খি।



নোর্থ কোরিয়াগী রি সোন খোন (ওই) অমসুং সাউথ কোরিয়াগী সো ম্যিয়োং গিয়োনন্না খুৎ শোক্নবা

## চহী ১৯ মখাগী ৱার্ল্ড কপকী মাঙওইননা ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিম্না ৱার্ম অপ মেটচতা সাউথ অফ্রিকাবু রন ১৮৯ দা থোইখ্রে

*খৃষ্টচর্চ, জনুৱারী ০৯ঃ*

থা অসিগী ১৩ দগী ফেব্রুৱারী ৩ ফাওবা ন্যু জিলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা নুপাগী চহী ১৯ মখাগী ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮ কী মাঙওইননা ঙসি খৃষ্টচর্চ সিটিদা শান্নখিবা ৱার্ম অপ মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা সাউথ অফ্রিকাবু রন ১৮৯ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌরকপদা য়াম্না ফজবা মওংদা টিম অদুগী মায়কৈদগী ওভর ৫০ শান্নবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৩৩২ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুদা অরিয়ান জুয়াল অমসুং হিমানসু রানানা মথংশিংনা রন ৮৬ অমসুং ৬৮ লৌদুনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুবু ফজহনবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ওপনর অনী পৃথিবী সো অমসুং মনজোট কলরানা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিকীদমক রন ৫৪ হাপচিনবা ঙমখি।

অদুবু সাউথ অফ্রিকাগী বোলর অখোনা মনিয়াকানা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা বেটসমেন ৩ অথুবা মতমদা আওট ওইহনখি। পৃথিবী সোবু রন ১৬ তা আওট তাহনখ্রবা মতুং থংনবা বোলদা নৌনা চঙলকখিবা সুবমন গিলবু রন লৌহন্দনা আওট তাহনখি। বোল ১০ লৈরবা মতুং অখোনানা ওপনর কারলাসু আওট তাহনখি।

ইন্দিয়াগী মখা তাবা বেটসমেনশিংগী পার্টনর্সিপ ফজরকপদগী পুন্না ওভর ৫০ শুরকপদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৩৩২ লৌবা ঙমখিবনি।

অরিয়ান জুয়ালনা বোল ৯২ দা ফোর ৪ অমসুং সিক্স ১ য়াওরগা রন ৮৬ লৌখিবনি। অদুগা হিমানসু রানানা বোল ৬৯ দা ফোর ৮ অমসুং সিক্স ১ গা য়ৈদুনা রন ৬৮ লৌরমখি।

সাউথ অফ্রিকাগী বেটসমেনশিং ইন্দিয়াগী বোলরশিংনা পার্টনর্সিপ ফজবা অমত্তা শেমহনবা ঙমহনখিদে। ইন্দিয়াগীবোলর ইসান পোরেলনা শুপ্পগী রন ২৩ খক পীরগা বেটসমেন ৪ আওট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

অতোপ্পা বোলর ৩ অভিসেক, কমলেস অমসুং সিংহনা ৱিকেট ২। ২ লৌবা ঙমখি। সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী জোন দু প্লেসিসনা রন ৫০ লৌরম্বা অমসুং জিবেসান পিলেনা রন ২৯ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী ফজখি।

সাউথ অফ্রিকাগী ইন্নিংস অদু ওভর ৩৯ শুরকপগী ৩শুবা বোলদা বেটসমেন ১০ মক আওট ওইরগা রন ১৪৩ খক লৌখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা রন ১৮৯ দা থোইখিবনি।



ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী রন ৬৮ লৌখিবা হিমানসু রানা

## স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা চিবুলকোভা অমসুং জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভা সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*সিদনি, জনুৱারী ০৯ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি সিদনিদা শান্নরিবা সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্নুনা য়ুম্বু লৈবাক স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা চিবুলকোভা অমসুং জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা চিবুলকোভানা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা রুশিয়াগী এলিনা ভেসনিনাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা চিবুলকোভানা ভেসনিনাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থারবা মতুং অনীশুবা সেট অদুসু অহানবা সেটকী স্কোরগা চপ মান্ননা ৬–৪ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা চিবুলকোভানা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ য়ুএসএগী ভেনস ৱিলিয়মসপু ৫–৭, ৬–৩, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বী জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরগা লম্বা তৌনরগনি।

সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা রুশিয়াগী একাটেরিনা মকারোভাবু য়াম্না কোম্না ৬–৪, ৬–১ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোই অদু টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়াগী এ বার্টি অমসুং ই পেরেজগী লম্বাদা এ বার্টিনা ৭–৬(৭–৪), ৬–১ দা থোইদুনা লম্বা তৌনরগনি।

সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেজনা ওষ্ট্রেলিয়াগী এ ভুকিকপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৪–৬, ৭–৬(৭–৫), ৬–৩ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেজনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ আর্জেন্টিনাগী দি স্কাটসমেনগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এ দি মিনোরনা স্পেনগী এফ ভর্দাস্কোবু ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ বোসনিয়া এন্দ হর্জেগোবিনাগী শান্নরোই দি জ মুহুরগা লম্বা তৌনরগনি।

সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ফ্রান্সকী পি পিয়েরিনা স্লোভেনিয়াগী এ বেদেনিবু ১–৬, ৭–৬(৭–৫), ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা আর্জেন্টিনাগী এল মেয়রগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুএসএগী জে দোনাল্ডসনন্না ফ্রান্সকী গাইল সাইমোনবু ৬–১, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা রুশিয়াগী দি মেদভেদেভকা লম্বা তৌনরগনি।



সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবী চিবুলকোভা (ওই) অমসুং ষ্ট্রাইকোভা

## মুম্বাই মরাথোনদা সোলোমোন অমসুং মমাঙগী চেম্পিয়ন বোর্নেস কিটুর শরুক য়াগদৌরি



*মুম্বাই, জনুৱারী ০৯ঃ*

চৎলিবা থা অসিগী ২১ দা য়ুএস দোলর ৪০৫,০০০গী শেলগী মনা লৈবা টাটা মুম্বাই মরাথোন লমজেলদা ইথিওপিয়াগী সোলোমোন দেকসিসা অমসুং মমাঙ চহীগী নুপীগী চেম্পিয়ন কেনিয়াগী বোর্নেস কিটুর শরুক য়াগদৌরি।

মরাথোন লমজেল অসিদা মালেমগী তোঙান–তোঙানবা লৈবাক কয়াদগী শরুক য়াদুনা মগুন লৈবা টুর্নামেন্ট অমা ওইগদৌরি।

লমজেল অসিগী কুমজা ২০১৬ তা কেনিয়াগী এঠলিট ইদিওন কিপটেকরনা থম্লম্বা পুং ২ঃ০৮ঃ৩৫ কী রেকোর্দ অদু থুগাইগদবা মাল্লি হায়না টুর্নামেন্ট অসিগী ওফিসিয়েলগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ইথিওপিয়াগী সোলোমোন মশাগী কেরিয়রগী ওইনা খ্বাইদগী ফজবা মতম অদু পুং ২ঃ০৬ঃ২২ লৈরিবনি। মহাক্কুম্না পুং ২ঃ০৭ কী মনুংদা মশাগী রেকোর্দ লৈরিবা অতোপ্পা শান্নরোই অহুম য়াওরি।

নুপীগী কাঙলুপ্তা মমাঙগী চেম্পিয়ন বোর্নেস কিটুরগী মতম অদুদগী হেন্না ফজবা এঠলিট ৬ য়াওরি। বোর্নেসনা পুং ২ঃ২৯.০১ দা মহাক্কী খ্বাইদগী ফজবা ওইরি। মহাক্কী রেকোর্দ অদুসু থুগাইবগী তাঞ্জা অদু লৈরি।

## বিবেকনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চহী নৌবা শান্নরোই ওইবা য়ারি

*টৌরাঙ্গা, জনুৱারী ০৯ঃ*

ন্যু জিলেন্দনা য়ুম্ধু ওইরগা লৈবাক ৪ গী ওইবা ইনভাইটেসনেল হোক্কি টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবা বিবেক সাগর প্রসাদনা থা অসিগী ১৭ তা জপানগা শান্নগদবা অহানবা মেটচ অদুদা শরুক য়ারবদি ইন্দিয়াগী হোক্কিগী পুৱারীদা খ্বাইদগী নহা ওইবা অনীশুবা শান্নরোই অদু ওইরগনি।

মমাঙদা কুমজা ২০০৪ দা ইন্দিয়ানা কোলা লুম্পরদা জর্মনিগা শান্নখিবা মেটচতা সন্দিপ সিংহনা চহী ১৭ থা ১০ অমসুং নুমিৎ ১১নি শুখিদুনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী নহা ওইরিবা শান্নরোই ওইখিবনি।

অদুগা বিবেক সাগর প্রসাদনা থা অসিগী ১৭ তা ইন্দিয়াগী টিম্না জপানগা শান্নগদবা মেটচ অদুদা শরুক য়ারবদি মহাক চহী ১৭ থা ১০ নুমিৎ ২২নি শুদুনা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিমদা খ্বাইদগী চহী নৌনা শরুক য়াবা শান্নরোই অদু ওইগদৌরিবনি।

## সাউথ অফ্রিকাগী কাগিসো রাবাদানা আইসিসি টেষ্ট ক্রিকেটকী বোলরশিংগী রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান বোলর ওইনা হাইগৎলকখ্রে

*কেপ টাওন, জনুৱারী ০৯ঃ*

সাউথ অফ্রিকাগী নৌনা মচিন তুমখৎক্লিবা ক্রিকেট বোলর অমা ওইরিবা কাগিসো রাবাদানা আইসিসি টেষ্ট ক্রিকেটকী বোলরশিংগী খ্বাইদগী নৌনা থোকখিবা মথং মনাও নাইবগী পরিংদা ইংলেন্দগী বোলর জেমস এন্দরসনবু নমথরগা নম্বর ৱানগী থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

রাবাদানা ঙরাং লোইশিনখিবা ইন্দিয়াগা শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচ মায় পাকখিবা অদুদা ৱিকেট ৫ লৌবা ঙমদুনা পোইন্ট ৫ ফংখিবগা লোয়নন্না ইংলেন্দগী জেমস এন্দরসন্দগী পোইন্ট অমা হেল্লগা হৌজিক–হৌজিক পুন্না পোইন্ট ৮৮৮ ফংদুনা লৈরিবনি।

চহী ২২ দা ঙাইরিবা রাবাদা কুমজা ২০১৫ দা ইন্দিয়াগী মোহালি সিটিদা মহাক্কী টেষ্ট কেরিয়রগী অহানবা মেটচ অদু ইন্দিয়াগা শান্নবা হৌখিবনি। হৌখিবা চহী অনী অসিদা বোলর অসিনা য়াম্না ফজবা মওংদা শুপ্নগী মেটচ ২৪ খক শান্নবদা ৱিকেট ১১০ লৌদুনা হৌজিক লৈরিবা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইবগী থাক অদু য়ৌবা ঙম্লকপনি।

ইন্দিয়াবু মায়থিবা পীখিবা টেষ্ট মেটচ অদুদা অতোপ্পা সাউথ অফ্রিকাগী বোলর বর্নোন ফিলান্দরসু ফজবা ঙমখিবদগী থাক ৬ হাইগৎপা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা বেটসমেনশিংগী ওইবা পরিংদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরম্বা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোলি কেপ টাওনগী ইন্নিংস অনীদা ফজবা ঙমখিদবদগী থাক অমা হন্থরগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি। মহাক্কী হান্নগী থাক অদু ইংলেন্দগী বেটসমেন জো রুটনা শিনখি।

